**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 20-05-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- সরকারগী পান্দমদি- আইনগী ৱাংমদা পায়রিবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৌখৎপনি।

২) নাগা ফুরুপকী মীওই ৬ ফাজিনখিবা অদু অথুবা মতমদা থাদোরকবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাক শন্না ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে।

৩) মণিপুরগী পেট্রোল পম্পশিংদা থাউ পীবগী অককবা চৎন-কাংলোন চৎনবা হৌরে, থাউগী অৱাৎপা লৈতে হায়না মণিপুর পেট্রোল্লিয়ম দিল্লরস ফেটরনিতিগী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

৪) কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগী অঙাংশিংদা লেমা এক্সিদেন্ট ইন্সুরেন্স পোলিসি য়াওহনগদৌরি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হায়রি- নিট য়ু.জিগী অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা পরিক্ষা অসি করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনগনি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- সরকারগী পান্দমদি- মণিপুরদা আইনগী ৱাংমদা পায়রিবা খুৎশু খুৎলায়শিং লৌখৎপনি।

ৱাফম অসি মহাক্কী সেক্রেতরিয়েটতা ঙসি এম.এল.এ রাম মুইভা, তাঙ্খুল নাগা খুঞ্জাশিং অমসুং সিনাকৈথেলগী ভিলেজ চীফশিংগা উন্নদুনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী ৱাফম কয়া খন্নবদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা ঙসি উন্নখিবা অদুদা সিনাকৈথেলগী ভিলেজ চীফশিংনা সিনাকৈথেল পুলিস ষ্টেসনদা অহেনবা পার্সোনেলশিং হাপচিনদুনা শক্তি হেনগৎহনবা। লোয়নননা সিনাকৈথেলগী এস.দি.সি ওফিস মথৌ ফজনা তৌহন্নবগী ৱাফম পুখৎখি।

সিনাকৈথেলদা হন্দক্তা খুৎলায় পায়বশিংনা এটেক চথরকপদা খুঞ্জাশিংদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমদি অকি তুজং কয়া থোক্লিবদুগী য়েংলগা মফম অদুদা মতিক চাবা সেক্যুরিতি থম্বীনবা সরকারনা হোৎনবীয়ু হায়না তকশিনখি। মসিগী মথক্তা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বগী মহাদেবদগী সিনাকৈথেল খুঙ্গং ফাওবদা লৈরিবা লম্বী অসিদা মতিক চাবা সেক্যুরিতি থম্বীদুনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোকহনবীগনু হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিদা সিনাকৈথেল ভিলেজ ওথোরিতিনা তকশিল্লি।

উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী লুচিংবশিংনা নহাশিংদা হিংশাগী থবক থাদোক্তুনা শান্তিগী লম্বীদা চংশিন্নবা পাউতাক পীবগী তঙাইফদবা লৈ। লোয়নননা মুখ্য মন্ত্রিনা লমদমসিগী নহাশিংবু তোঙান তোঙানবা মখলগী স্কিল ট্রেনিং পীদুনা মশানা মশাবু থবক ফংহন্নবা সরকারনা হোৎনরি হায়না ফোংদোকখি।

প্রোটেষ্ট (এল)ঃ নাগা ফুরুপকী মীওই ৬ ফাজিনখিবা অদু অথুবা মতমদা থাদোরকবা দাবী তৌদুনা নাগাগী তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে। তমেংলোংদা জেমি, লিয়াংমৈ, রোংমৈ অমসুং ইনপুইগী অপুনবা ত্রাইবস ৱিমেন এসোসিয়েসন্না মখোয়গী দাবী তকশিনদুনা তমেংলোং হেদক্বাটরসতা লৈবা জাদোনং পার্কতা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখি। মখোয়গী দাবীশিংগী মনুংদা থা অসিগী ১৩ লৈলোন ভাইফৈদা

কুকিশিংনা ফাজিনখিবা নাগাগী মীওই ৬ অথুবা মতমদা থাদোক্কদবনি। মসিদা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা ফাদুনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীগদবনি। হায়বা ৱাফম কয়া য়াওরি।

নোনে জিলাদসু জিলা অসিগী লোংমাই বজারদা ফাজিনখিবা মীওই ৬ থাদোরকবা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখি। জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা নুপী কয়ামরুমনা মীচম মীয়ামগী মায়োক্তা হিংশাগী থবক চত্থগনু হায়বা প্লেকার্দ কয়ামরুম পায়দুনা খোঙজং চংশিনখি। মরাল লৈবশিং অথুবা মতমদা ফাগৎতুনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীনবা তকশিল্লি। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী অমনা মখোয়গী দাবী তকশিল্লদুনা অসুমা ফোংদোক্লি।

ফাজিনখিবা নাগাগী মীওই ৬ তেক্ত কায়দনা থাদোরকবা দাবী তকশিন্দুনা উখ্রুল অমসুং কামজোংদা নুপীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে। নাগা ৱিমেন য়ুনিয়ন মণিপুরনা শিন্দুনা চংশিনখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা ফাজিনখিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা থাদোরক্কদবনি। মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি হায়রি।

নোনে জিলাগী কবুই খুল্লেন অমসুং নিউ কবুই খুল্লেন অমদি মসিগী অকোইবদা লৈরিবা য়াম্লবা নুপীশিংনা নাগাগী মীওই ৬ অদু থাদোরক্কদবনি হায়বা দাবী তকশিন্দুনা ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখি। খোঙজং চংশিনখিবশিংনা মীচম মীয়ামদা হিংশাগী থবক চত্থগনু মীচম ফাবগী থৌওং অদু মীওইবা জাতিগী মায়োক্তা চত্থবা খোঙথাংনি। অরানবা তৌবশিং অথুবা মতমদা ফাগৎতুনা চৈরাক পীগদবনি হায়বা দাবী কয়া তকশিনখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা নিউ চেক্কোনদা লৈবা ত্রাইবেল কৈথেলদসু নাগা ৱিমেন য়ুনিয়নগী মীৎয়েং মখাদা ৱাকৎ মীফম চত্থখি।

চান্দেল জিলাগী ওইনা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতা নাগা ৱিমেন য়ুনিয়নগী মীৎয়েং মখাদা ৱাকৎ মীফম চত্থখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা ফাজিনখিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা থাদোকউ, সরকারনা তৌফম থোকপা থবক তৌ, থৌওং অসি মীওইবা খুনাইগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

সেনাপতি জিলাদসু ঙসি ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখি।

কেমিষ্ট (এল)ঃ আইন কায়না ই-ফারমাসি হাংদোকপা, অচৌবা কম্পনিশিংনা নমফুদা অনা লায়েংগী হিদাক্কী মমল লেপ্পা অমদি জি.এস.আর নোতিফিকেসন থোকখিবা অদুগী মায়োক্তা লৈবাক শিনবা থুংনা ঙসি চথুখিবা নোংমগী ওইবা বন্দ মণিপুর কেমিষ্ট এন্দ ড্রগিষ্ট এসোসিয়েসন্না শরুক য়াদুনা মণিপুরদসু পাঙথোকখি। লৈবাক অসিগী কেমিষ্ট অমসুং দিষ্ট্রিব্যুটর লাখ ১২ লিশিং ৪০ লৈবা ওল ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসন ওফ কেমিষ্ট এন্দ ড্রগিষ্টনা মখোয়না তাল্লিবা দাবীশিং থবক্তা ওন্থোকউ হায়না সরকারদা তকশিল্লি। মখোয়গী দাবীশিং থবক্তা ওন্থোকউ হায়না কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারশিংদা কয়ারক হন্না হায়জখ্রবসু থবক্তা ওন্থোকপীরক্তবনা মরম ওইদুনা লম অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী হিংবগী লন্বীদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়রি।

মণিপুর কেমিষ্ট এন্দ ড্রগিষ্ট এসোসিয়েসন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়- অচৌবা কম্পনিশিংনা হিদাক লাংথক্কী মমলশিং য়ামা হন্থবা চাংদা লেপশিল্লকপনা মরম ওইদুনা অপিক অপিকপা কেমিষ্টশিংদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লে। হিরম অসিদা সরকারনা মীৎয়েং চংবীদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপীয়ু হায়রি।

পেট্রোল্লিয়ম (এল)ঃ মণিপুরদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা গাড়ি থাউ ফংনদবগী খুদোংচাদবা লৈবগী মমি তারিবা অসি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা কোক্লবা য়াই হায়না মণিপুর পেট্রোল্লিয়ম দিল্লরস ফেটরনিতিগী মাইকৈদগী ফোংদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফেতরনিতি অসিগী কনভেন্নর লাইশ্রম জোগেন্দ্রনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা অনৌবা চৎন কাংলোন শেম্লকপদগী পেট্রোল্লিয়ম কম্পনিশিংনা থাউগী চাং ককথনা পীরকপদগী ওইল পম্পশিংনা মীয়ামদা নুমিৎ খুদিংগী পীবা ঙম্লক্তবনি। অদুবু মণিপুরগী ওইনা থাউ মরাং কায়না লৈরি। মসিদা মীয়ামা ফংহৌররোই মতাগুম থাউ হেন্না লৈশিনবগী থবক তৌবীগনু হায়নসু আপীল তৌখি। মণিপুরদা পেট্রোল অমদি দিজল ফংবগী চাং হন্থরকপা অসি হৌখিবা এপ্রিল থাদগী হৌনা

কেন্দ্র সরকারগী অনৌবা চৎন কাংলোন শেমখিবদগী ওইহল্লকখিবনি। মসি মণিপুর খক্তগী নত্তে, লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা থেংনবা খুদোংচাদবনি। হান্নদি কম্পনিশিংনা ওইল পম্প অমদা নুমিৎ হুমি নত্রগা মরিনিরোমগী থাউগী ষ্টোক পীরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি নোংমগী ষ্টোক খক্তমক পীরকপনা ওইল পম্পদা থাউ লোইথোকখিবনা ওইল পম্পশিং থোঙ লোন্নরকপনি। মসিদা ওইল পম্পশিংনা নরোনদা থাউ য়োন্থোকপা লৈতে।

ইন্সুরেন্স (এল)ঃ কেন্দ্রগী সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজগী অঙাংশিংদা লেমা এক্সিদেন্ট ইন্সুরেন্স পোলিসি য়াওহনগদৌরি।

থৌরাং অসি ইনক্লুসিভ কাউন্সিল্লরস এন্দ রিহেবিলিতেসন এসোসিয়েসন্না টাটা এ.আই.জিগা খুৎশমরগা পায়খৎকদবা থৌরাংনি। স্কিম অসিগী কান্নবশিং ইম্পৱারমেন্ট ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ দিপার্টমেন্ট সুগমায়া ভারত এপপতা য়েংবা য়াগনি। ইন্সুরেন্স অসিদা পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ অঙাংশিংগী ওইনা লুপা লাখ ১ ফাওবা, মমা মপাশিংগীনা লুপা লাখ ২ ফাওবা য়াওরি। অকুপ্পা মরোল রাজ্যগী ষ্টেট কম্মিসনার ফোর পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ মণিপুরদগী খঙলবা য়াগনি হায়রি।

জনজাতিয়া (এল)ঃ সবসে দুর, সবসে পহেলে হায়বা ৱাকল্লোনদা তমেংলোং জিলাগী বমগাইজাং চেংদাই কহুলোং অমসুং সংগ্রুংপাংদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংদা হকশেলগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা সরকারগী য়াইফ থৌরাংশিং নিংথিনা ফংহন্নবগী মতাংদা জন জাতিয়া গারিমা উৎসব ২০২৬ কী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরমগী মনুং চন্না লেমা হেলথ চ্যেকঅপ তৌবা, হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকপনচিংবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখি। দিপার্টমেন্ট ১২ না তোঙান তোঙানবা ষ্টোল কয়া হাংদোক্কুনা সরকারগী কান্নবশিং খুঞ্জাশিংদা ফংহন্নবা হোৎনখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন সেনাপতিনা শিন্দুনা জন ভাগিদারিগী মখাদা

ইনফোর্মেসন, ইদুকেসন এন্দ কম্যুনিকেসন কেম্পেন ঙসি পাউমাতাগী এস.দি.ও ওফিসতা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা পি.এম. কিষান, প্রধান মন্ত্রি মাত্রু বন্দনা য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি সুরক্সা বিমা য়োজনা, প্রধান মন্ত্রি জিবন জ্যোতি বিম য়োজনা য়াওনা তোঙান তোঙানবা সরকারগী স্কিমশিংগী মতাংদা মরী লৈনবা বিভাগশিংগী মীহুৎশিংনা খুঞ্জাশিংদা নিংথিনা খঙহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

সিসিপুর (এল)ঃ ত্রাইবেল মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী স্কিম পি.এম. জনমন অমসুং ধরতি অভা জন জাতিয়া গ্রাম উৎকরস অভিয়ান (দাজগুৱা)গী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথিনা খঙহনবগী থৌরম অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী সাইকোত সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা লাবোম কম্যুনিতি হোল অমসুং মাতা কম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন চুরাচান্দপুরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং- আধার এনরোলমেন্ট তৌবা, রেসন কার্দ য়েন্থোকপা, দোমিসাইল সার্তিফিকেট পীবা, কিষান ক্রেদিৎ কার্দ খুৎশিন্নবা, জন ধন এক্কাউন্ট হাংদোকপা, ইন্সুরেন্স য়াওহনবা অমদি তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লেমা হেলথ চ্যেকঅপ তৌবা, হিদাক লাংথকশিং য়েন্থোকপা অমদি লেমা উ চারা কয়াসু য়েন্থোকখি।

ধরমেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রি ধরমেন্দ্র প্রধান্না হায়রি- নিট য়ু.জিগী অমুক হন্না পাঙথোক্কদৌরিবা পরিক্ষা অসি করিগুম্বা ফিভম অমত্তদা অশোই অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনগনি।

নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি অমসুং ইন্তেলিজেন্স এজেন্সিশিংগী অৱাংবা থাক্কী মীফমদা ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা শিক্ষা মন্ত্রিনা হায়- তোঙান তোঙানবা কম্পিপতিতিভ পরিক্ষাশিং অমসুং মসিগা মান্নবা পারিক্ষাশিংগী মরী লৈননা লান্না পাউ শন্দোকপা ওনলাইন গ্রুপ কয়া লৈবা

থেংনরে। অসিগুম্বা মখলগী নেটৱার্কশিং নিংথিনা মশক খঙদোক্নুনা চেন্নেলশিং অদু থিংজিনবা অমসুং লান্না পাউ শন্দোক্লিবশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। সোসিয়েল মিদিয়াদা অরানবা পাউ কয়া শন্দোরক্লিবা অসি নিংথিনা য়েংশিন্নবা শিক্ষা মন্ত্রালয়, নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি অমসুং শান্তি রক্সা ঙাক্লিবা এজেন্সিশিংনা তত্তনা ঈ পাউ ফংওদোক ফাওজিন তৌনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু শিক্ষা মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ভিক্সিত ভারতকী পান্দম অসি য়ৌনবা হোৎনবদা থেংনবা খুদোংচাদবা খুদিংমক অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নশি । রাষ্ট্রপতি ভবনদা ২০২৪ বেটচকী আই.এ.এস. ওফিসারশিংগা উন্নবদা শ্রীমতি মুরমুনা হায়- নহা ওইরিবা ওফিসারশিংনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা তোপ তোপ্পা মওংদা থবকশিং পায়খৎশি। মহাকা হায়- অচুম্বা ফিরেপ লৌবা হায়বসি মীয়ামগীদমক্তা য়ামমক তঙাইফদে।

পঞ্জাব ঃ পঞ্জাব পুলিসনা রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা হিরোইন কিলোগ্রাম ৪ অমসুং মেথমফেতামাইন কিলোগ্রাম ১০ গা কোন্ননা মীওই অনি ফারে হায়রি। মীওই অনি অসি মালেমগী থাক্তা ড্রগ লল্লোনবগী থবক তৌবনি হায়রি। মখোয় অনিনা পঞ্জাব অমনি নিউ দিল্লিদা ড্রগশিং অসি য়োন্নবা হোৎনরম্বনি।

পুলিসকী পাউনা হায়- ফারবা মীওই অনি অসিগী মনুং অমদি ইকুই কুইদ্রিঙৈগী মমাংদা দুবাইদগী হিরোইন অমসুং মেথমফেতামাইন অসি করমা পুথোক পুশিন তৌগনি হায়বগী মতাংদা নিংথিনা ত্রেন তৌরগা থোক্লকপনি হায়রি। ফারবশিং মখা তানা ৱাহং পাউহংগী থবক চথরি।

চাংয়েং ঃ দি.আর.দি.ওনা অনমেন এরিয়েল ভেহিকল লোঞ্চ প্রিসিসন গাইদেদ মিসাইল ভি-থ্রি ঙসি মায় পাকা চাংয়েং তৌখ্রে। থৌরাং অসি ভারতনা আত্মা নিরভর ওইনবগী লমদা চংশিল্লকপা খোঙথাং অমনি। চাংয়েং অসি

কুনুরদা লৈবা দি.আর.দি.ওগী টেষ্ট রেঞ্জদা নোংথক্তগী লৈমায়দা অমসুং অমসুং নোংথক্তগী নোংথক্তা কাপ্তুনা চথখিবনি। মিসাইল অসি দি.আর.দি.ওগী অতৈ লেবোরেটরিশিংগা লোয়ননা রিছার্স সেন্তর ইমারটনা শাবনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

আই লিগ ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ.আই.এফ.এফ)কী মীৎয়েং মখাদা চখরিবা আই.লিগ থার্দ দিভিজন ২০২৫-২৬ কী ফাইনেল রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সন রাইজ ক্লব উরিষানা সেগাউন এফ.সি অসামবু পাঞ্জল ৭-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ক্লাসা এফ.সি কৈনৌ অমদি ত্রাউ এফ.সি ক্বাকৈথেল দ্রো ওইখ্রে। এফ.সি. রেংদাই নোনেনা ভগপদ এফ.সি উত্তর প্রদেশপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মঙাশুবা এম.এন.সি.এ বোইজ অন্দর ফোরতিন ৱানদে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা প্রিক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা পি.টি.আর.সি পাৎশোইনা ত্রাউ ক্বাকৈথেলবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীখ্রে। ৱাই.এ.এল. থৌবাল লৈশাংথেমনা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউবু রন ৯৭ তা মায়থিবা পীখ্রে। এ.এম.সি.এ থৌবালনা এস.এস.সি পোরোমপাৎপু রন ১৪৬ তা মায়থিবা পীখ্রে। এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকনা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীখি। ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিং থা অসিগী ২২ দা শান্নরগনি।

অমরোমদা, মঙাশুবা এম.এন.সি.এ ৱিমেন্স সেনিয়র ৱানদে ত্রোফি ২০২৫-২৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা অল অমিন লিলোংবু রন ১৮৬ তা মায়থিবা পীখ্রে। সেদো থাংমৈবন্দনা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্বু রন ২৪০ দা মায়থিবা পীখি।

ক্রিকেটঃ মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শিনবা অহুমশুবা

খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু ললাম্বুংনা এল.সি.সি.সি লিলোংবু রন ৪৩ দা মায়থিবা পীখ্রে। কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা এস.এন.সি শঙাইপ্রৌবু রন ৫১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোলঃ অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিগোং ট্রোফিগী ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্টকী শামুরৌ মখা লৈকাইদা শান্নখিবা মেটচতা- অপুনবা এফ.সিনা টু ব্রদরসপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ফুটবোলঃ অহানবা কে.আর.সি. ট্রোফি অন্দর সভেনতিন ষ্টেট লেবেল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস.আই.সি সিংগানা শঙ্গাই হিরোসপু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে। এ.কে.এফ.সি.সি ক্বাক্তানা তোনি এফ.সি কাইরংবু পাঞ্জল ৫-৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

------